থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

অঙাংনবু হায়বা ইনব্রা?

নহান নোংমা, নুমিদাংৱাইরম অমা, ঐগী মরুপ অমগী ড্রোয়িং রুমদা ফম্লগা ইস্যু খরদা নুংঙাইনা ৱারী শারম্মী। খন্নরিবা ইস্যুশিংদু ইশু শুরে - পোলিটিক্সতগী ধর্ম্ম, ধর্ম্মদগী সোসল ক্রাইম, ফেমিলি, সেক্স... ইতোৎ তোৎশিন্নে। ৱারী শারিঙৈ মরক্তুদা ঐগী অনৌবা ড্রামা-প্রদক্সন অমগী প্লোট অমদি থিম মরূ হুনখিবনি। য়ূম য়ৌরগা ইশিন্দুনা থমগে খনখিবনি। অমই মথংদা অমা অসুম ননশিন্নখিদুনা অদুম মূৎখ্রে মেমোরি সেল মরক্তুদা। ইশিনহৌদ্রে। কোন্না, অতোপ্পা নুমিৎ অমদা ৱারীশিংদু এক্সিদেন্টেল্লি রিপিট তৌরকপদা শোয়দনা নীংশিংলকখিনি। মদুদা শোয়দনা ইশিনহৌরগে। অদুবু, ঙসি তমগে পায়খৎচরুবা নুমিত্তুদা থোকখিবা থৌদোক অমই পাউদমনি।

ঐগী মরুপ্তুগী নুপীনা, মশুনুপা অঙাওবদু তান্নরকই ... 'মসি...মসি চুরুট থক্লগা লৈরম্মীনে... কয়াদা লম হেল্লিবনো, মসি ফূদবা য়ারোইদৌরি...' হায়রগা, চহী অহুমতা ঙায়রিবা মশুনুপাদু ফূশিন্নে, মচিন্দৈ চুরুট লৌথোকই, মখূত্তে মৈখেৎ মুল্লি। মৈ চাকপা চুরুট নত্তে। মপুবোক্কী টেবলদা লৈরিবা চুরুট উপুদুদই অমা লৌথোল্লগা, মখূত্তা মৈখেৎ পায়রগা মবোক্তা পোজ তৌশিল্লুবদা মবোক্না শাউদুনা তান্নরকপনি। মশুদুগী মমিংফাও ঐনা থোনজখিবা নুংশিরবা অঙাংনি। মাগী ৱারী শাজরগা মপুগী নুংঙাইবা ওইজরিবনি... 'অতৈ অঙাংগা মান্নদে, থোইদোক হেন্দোক্লা হৈ-শিংই'...। মহাক্তগী ৱা নত্তে, ইমৌ ফংদ্রিবা ঐঙোন্দা থোইদোক হেন্দোক্লা হৈ-শিংবা মশুগী ৱারীমক্তনি লীনরক্কদৌবা... 'মসি অঙাংসিমদি থোকঅবা অমা তৌদৌরি, অহল মরায়'ম হেল্লি, মাগী চহী লোঙ্গাগী অঙাংদি ইপং পঙনা লৈনরি'...। ঐহাক মখোয় কনামত্তগা চীনখুন্ননা ঙাওনরুদে। হায়দি হায়নীংখিবনি-'নখোয়-ঐখোয়-মতমদুগী অঙাংগা, ঙসিগী অঙাংশিংসিগা চাংদম্ননা য়েংলুনু, মখোয়না উরি-তাইবঙসি মতমদুদা লৈরমদে ... অঙাং অমগা অমগসু ইমুংগী ফীভম মতুং ইন্না কৈদৌঙৈদা মান্নরোই'...।

মপু মবেন উদ্রিঙৈ তাঞ্জা অমা লৌরগা ইশুদুদা লোন্না হংই ... 'নঙ চুরুট থকপা কনানা তম্বী'? 'ঐখোয় পুপু মমান্নবগা থকই'। অঙাংদু ওইদবা ঙাঙদে। 'ঐখোয়' পুপুনা তম্বী' হায়দে। মরক মরক মমান্নবদা লানবা, য়াউম অমত্তং মপুবোক্লা চিংবদু মহাক শোয়দনা উরম'নি। ঐহাক খঙই - মপুবোক্তু চুরুট থক্তে। অদুবু মহাক্লা অতোপ্পদা লানবদি ঐসু উখ্রে কয়ারক। তৌরিবা মতৌ অদু নুংঙাইবা মথেল অমা ওইনা উরমগনি অঙাংদুনা। মহাত্মা গান্ধীমক্লসু হায়রি'দুনি ... 'অহলশিংনা মৈখু য়াউম অমা উমশিল্লগা কামথোরকপদু য়াম্না নুংঙাইবা, লেমজবা থবক অমা ওইনা উরুরে'।

অঙাংনা হেক মমাগা খোম-খাইনবা মীকুপ্তুগী, মহাক্কী মমা-মপা ইমুং-মনুংগী মীশিং অদুনা হেক তৌরিবা, ঙাঙলিবা, শক্লিবা পূম্নমক অদু মতৌ তম্নবা হোৎনরকই। মহাক্কী তাইবঙ হায়ববু মমাঙদুদা থোক্লিবা-উরিবা অদুতনা মরোইরে। মহাক্কী মীৎয়েংদা উরিবা খুদিংমক অফবনি। ফত্তবা হায়বা পোৎশক নৎত্রগা থবক অমা লৈতে মাগী মফমদা। মহাক্কী মীত্তা খ্বাইদই নুংশি চাওবা, অফবা মী হায়বদু মমানি। অয়ূক্তগী হৌরগা তূম্লমদাই ফাওবা মমানা তৌরিবা থবক্তুনি মহাক্লা খঙলক্কদৌরিবা পুন্সিগী অহানবা শিন্থা, মহাক্লা মতৌ তম্লক্কদৌরিবা। ফম্বা-চৎপা-হীপ্পা-ৱাঙাঙ-শাঙাঙদগী হৌরগা চাব-থকপা-ফিজেৎ-চাকচা ফাওবা মহাক্কা লৈমিন্নরিবা মীশিংদগী মতৌ তম্লকই। মীতৈশিংগী ইমুংদা মৌ ওইবী/মমা ওইবীশিংনা অয়ূক অঙনবদা হৌরগা ইরুজরগা নুমিৎ খুরুম্বা, ইমুংগী কূপনোম হৌবা-করিগুম্বা মখল অমত্তগী লাইনীংগা মরী লৈনদে। হকচাং ফনা লৈনবগী, ইমুংগী মী পূম্নমকপু মশা ফহন্নবা, তিনচেল-লাইচেনহন্দনা থম্নবগী থৌশিল অমনি। মসিবু হিন্দু-লাইনংগা মরী লৈনহল্লকখিবা, অরানবা খোঙথাং অমনি। অঙাং অমনা ফমচৎ-চৎপা, কাফে কাফে চৎপা হৈরকঙৈদগী মমা-মপা, মথক থোংবশিংনা ওইহন্নীংবা মী ওইহন্নবা শেম্বই থবক হৌরগদবনি। অঙাংদি নিংথাদা খঙই হায়বদু, মথী-ময়ুং চোইগন্দবা অঙাং ওইনা হেক্তা চোংথোরকই হায়বা নত্তে। নিংথাদুবু শেন্নরিবা খূৎতুগী মখা পোল্লি হায়বনি- অঙাং অমনা তুংদা ওইরক্কদৌরিবা পুন্সি শক্তম। পোৎথম, তূম্ফম, হীপফম মওং তানা শেমদবা, চমোৎ-চনৈননা লৈবা ইমুং, নোংমতসু অয়ূক্কী ঙাড্রানবা নুমিৎ উখিদবা ইমুংদুনা ৱাখল ঈংবা হৌনদে। ইমুংগী মী অমত্তনা নোংমতা লাইরিক মশক য়েংদবা, ইমুংদুগী মী অমনা লাইরিক্তা মীথোয় মীহেন ওইরকপদি হৌনদে। অঙাংদা 'লাইরিক পাউ' হায়রগা কৈদৌঙৈদা পারক্লোই। স্কুলদগী হল্লক্লগা, স্কুল-ফিজোল অমদি লাইরিক খাউ ফমুংদা লংশিল্লন্নগা শান্নবা চেনখ্রিবা অঙাংদুদই করি আশা তৌরুনি? অঙাংদুবু অদুম্না তৌহল্লিবা কনানো? মমা-মপানা অঙাংদুদই করিমত্তা আশা তৌদ্রে হায়বনি। মখোঙ নীংথিনা শোন্বীদবা উহৈ পান্বীনবু মরীক চুম্না উহৈ পানবা হৌনব্রা?

থাজদবা তৌবীনু, ৱাফম অমত্তা হঙ্গৎচগে- 'মালেমসিদা লৈরিবা অঙাং অমত্তনা মমা-মপা, মথক থোংবশিংনা হায়বা ৱা তাদে'... 'মমা মপানা হায়বা ইনবা অঙাং অমত্তা মালেমসিদা লৈতে'। মরুপ-মপাংশিংনদি ৱাফম অসি য়ানীংদে। খঙদে, থম্মোয় পাউদম পাবিরিবশিংগদি থম্মোয়-থম্মোয় ফাওনগদ্রা! হায়রিবা ৱাদু করিনো-খঙবা ঙমদ্রিবা অঙাংদুনবু হায়বা ইনবা/ইন্দবা অনীগী খেন্নবা খঙফম থোকপ্রা? মখোয়না য়েংলিবদি ঐগী ইতৌ/নঙগী নতৌ অসিনি। মতৌ তম্নবা হোৎনজরিবনি। নঙ/ঐনা ফরে, মহাক শোয়দনা ফরনি। হুরানবা ঐগী ইতৌ তম্লগা মানা সাধু ওইরকপদি হৌনব্রা? মরম অসিনা হায়নরকই - নঙনা তৌহন্নীংদবা থবক্তু অঙাং মমাঙদা তৌরুনু। করম্বা মমা মপানা, মিংথৌ থাগৌ নত্তনা মমালোন ঙাঙবা মচাদা কৈদৌঙৈ তম্বীখিবগে? তম্বীদনা ঙাঙলকপগুম, শেম্লুদনা ওইরকরই মানা ওইফম থোকপদু। ওইহন্নীংবদু ওইরক্লবা, শেম্বা তায় ইশা হান্না।

লৌশিং পুক্কে

তূম্বদা অৱাং ওল্লগা তুম্বগী ফৎতবা কয়া লৈরি

ইচম চন্বা মাল্লবসু তুম্বগী মায়ওনগা মরী লৈননা ঙাক্কদবা কাঙলোন লৈজে। অহল-লমনশিংনা মমাঙ ওল্লগা তুম্মু হায়না মখা থাবশিংদা হেক হেক ঙাঙবা শোয়দনা থেংনরল্লগনি। হীরম অসিগী মতাংদা অখঙ অহৈশিংনা থিজিনবদা তুম্বগী মায়ওন অসি য়াম্না মরুওই হায়বা খঙলকখি।

হকচাংগী মথক থংবা শরুক্তা লৈরিবা হার্টনা গ্রেভিটিগী মায়োক্তা মথকলোমদা ঈ কাপখৎপবুদি মখারোমদা কাপথবনা হেন্না লায়না থোকই। মথক থংবা ঈ উতোংশিং অসুক্কী মতিক কুপ্পী মদুদি ব্রেনগা শম্নরিবা ঈ উতোং পুম্নমক শম্নামুক্তং চাউই। কুপখ্রবা ঈ উতোংনা অহেনবা ঈ পুবা ঙমদে। ঈ দ্রোপ অমত্তং ওইরবসু হেন্না পুরুবা মতমদা শিংলি পোকখা-য়রক্তুনা হিমোরেজ তৌই।

কোক্লা অৱাংলোমদা ওল্লগা তুম্বা মতমদা করি থোরকপগে হায়বদু খঙমিন্নসি। ঐখোয় খুদিংমক্লা মালেমদা মেগনেটিক ফিল্ড লৈবগী ৱাফম খঙলে। কোক্লা অৱাংলোমদা ওল্লগা পুং ৫/৬ তুম্বা মতমদা মতিক ময়াই কল্লবা মেগনেটিক ফোর্সনা ব্রেনদা প্রেসর পীরকই। চুম্না লেপ্পন্বা হকচাংনা হীপথবা মতমদা থম্মোয়গী মিহুল (পলস রেট) তপথরকই। করিগুম্বা তপথরক্তবা থোক্লবদি কোকলোমদা ঈ কা হেন্না চঙলকপদগী অমাঙ অতা থোরকপা য়াই। কোক্তা ঈ য়ৌদবা য়াদে অদুবু কা হেনবা মওংদা ঈ য়ৌহনবসু য়াদে। মসিনা ঈ উতোং কায়হল্লকপদগী পেরালাইটিক স্ট্রোক তৌহল্লকপা য়াই।

মথৌ তাবা চাংদগী হেন্না য়াম্না ব্রেনদা ঈ য়ৌরকপা মতমদা খোয়রাং খোয়শাউনবা পোকহল্লকই। মরক-মরক্তা নোংমা ফাদোক অৱাং ওল্লগা তুম্বদা হেক্তমক শিরগনি হায়বা নত্তে। অদুবু নুমীৎ খুদিংগী অৱাংলোমদা ওল্লগা তুম্লবদি ইশানা ইশাগী মংফম থিবা ওইনা থোক্কনি। কয়া য়াম্না অমাঙ-অতা থোরক্কদগে হায়বদুদি মী মীগী সিষ্টেমগী মপাঙ্গল কনবা কন্দবগী মখা পোনগনি।

হকচাংগী ওইনা খ্বাইদগী ফবদি মমাঙলোমদা ওল্লগা তুম্বনি। অৱাং নোংপোক নৎত্রগা মখারোমদা ওল্লগা তুম্বসু থোইনা অকায়বা লৈতে। অদুবু অৱাং ওনবগী মহুত্তা মনিং ওল্লগা তুম্বনা হেন্না ফৈ হায়রি। ৱাফম অসি নোর্দর্ন হেমিসফেয়রদা লৈরিবা মীওইশিংগীদমক্তনি। নোর্দর্ন হেমিসফেয়রদা লৈরিবা মীশিংনা অৱাংলোমদবু ওন্দ্রবদি ওন্নিংবা মায়কৈদা ওল্লগা তুম্বা অকায়বা লৈতে হায়রি। সাউদর্ন হেমিসফেয়রদা লৈরিবা মীওইশিংগী ওইনদি খা মায়কৈরোমদা ওল্লগা তুমলোইদবনি।

অতোপ্পা অমনা তুম্বা হৌগৎপদা লোংনা খক হৌগৎলোইদবনি হায়নবা ৱাফম লৈ। য়েৎলোমদা হান্না য়াওল্লগা চেপ্না হৌগৎপনা খ্বাইদগী চুম্বা পোজিসননি হায়নৈ। মসিগী মরুওইবা মরমদি মেটাবোলিক এক্টিভিটি তপথরকপা মতমদা লোংনা নৎত্রগা ওয়রোমদা চেপ্লগা হৌগৎপা খুদোংথিনিংঙাই ওইবদগীনি। তুম্বা হায়বসিমক্তবুসু মেটাবোলিক এক্টিভিটি তপথর-ক্লবনি। মেটাবোলিজমগী চাং নেম্লিঙৈদা লোংনা হৌগৎপা নৎত্রগা ওয়রোমদা য়াওল্লগা হৌগৎলবদি হার্টকী মথৌদা অকায়বা থোকহল্লি।

অতোপ্পা ৱাফম অমনা অয়ুক য়াহৌরকপা খুদিংগী খুৎ অনী নোইরগা খুবাক্লা মীৎতা থমগদবনি হায়না মমাঙঙৈদগী হায়নদুনা লাক্লি। থৌওং অসি তাইবঙ মপু উনবগী পান্বেনি হায়নবসু লৈ। তশেংবদি ৱাফম অসি লাইগা মরী লৈনবা নৎতে। নর্ভশিংগী লোইশিল্লকপা শরুক অয়াম্বা খুৎ অনীমক্তা লৈ। খুৎ অনী নোইবা মতমদা নর্ভশিং এক্টিভেট তৌহন্দুনা হকচাংগী সিষ্টেম পুম্নমক মথৌ তৌরকই। তুম্বা হেক হৌগৎপগা হকচাং লেঙদ্রিঙৈদা ব্রেন অমদি অতৈ কয়াৎশিং হান্না এক্টিভ ওইহনবা মথৌ তাই। মরম অদুনা খুৎ অনী নোইরগা মীৎ অনীদা খুৎ নাম্ম-নাম্মা থমগদবনি।

তুম্বা হেক হৌগৎপগা অশাউবা শকফম উৎলোইদবনি অমসুং মোমোন নোক্কদবনি হায়নবা ৱাফম অমসু লৈ। মসিগী মরুওইবা মরমদি অশোয়-অঙাম অমত্তা য়াওদনা য়াহৌরকপা ঙম্বগী নুংঙাইবা ফোঙদোকউ হায়বনি। মীওই কয়া অমা তুমখিবদগী অমুক হন্না হৌগৎলকখিদবা য়াওরিবনি। খুদোংথিবা অমত্তা মায়োক্লদনা তাইবঙদা অমুক মীৎকপ থোরকপা হায়বসি তরাই-তরাইবা থৌওং নৎতে।

ফোরেষ্ট অমসুং ৱাইল্ডলাইফ কঞ্জর্ভেসন এৱেয়রনেস প্রোগ্রাম পাংথোকখ্রে

চান্দেল, সেপ্টেম্বর ২২ (ঐচ এন এস): দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিস চান্দেলনা নেচর লার্নিং সেন্টর, নেসনেল মিসন ওন হিমালয়ন ষ্টিদিজ (এন এম ঐচ এস), মিনিষ্ট্রি ওফ ইনভাইরনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেৎ চেঞ্জ, গোভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা ঙসি চান্দেল ফোরেষ্ট দিভিজনগী কপ্লেক্সতা ফোরেষ্ট অমসুং ৱাইল্ডলাইফ কঞ্জর্ভেসন হায়বা অসিগী মতাংদা ভিলেজ ওথোরিতিশিংগী ওইবা ৱর্কশোপ অমা ঙসি পাংথোকখ্রে।

ONE DAY WORKSHOP
FOR VILLAGE AUTHORITIES ON FOREST AND WILDLIFE CONSERVATION

ঙসিগী ৱর্কশোপ অদুদা চান্দেল ফোরেষ্ট দিভিজনগী দি এফ ও এন, রিতায়র্দ সী সী এফ মহেন্দ্র প্রতাপ অমসুং এফ দি ও চান্দেল সেন্ট. রিথুং অনালনা দাইজ মেম্বরশিং ওইখি । লোয়ননা থবক্তগী পোথারবা সী সী এফ মহেন্দ্র প্রতাপনা 'ফোর ভিলেজ ওথোরিতিজ ওন ফোরেষ্ট এন্দ ৱাইল্ডলাইফ কঞ্জর্ভেসন' হায়বা তোপিক্তা অদুগা দি এফ ও চান্দেল এন গনেশনা 'ফোরেষ্ট এন্দ এক্তিভিতিজ ওফ দিপার্টমেন্ট' অমসুং এ সী এফ চান্দেল এস. এল. ন্যাং থ্যানহোই এম এফ এসনা 'ঝুমিং কল্টিভেসন্স' হায়বা তোপিকশিং অসিদা রিসোর্স পার্সনশিং ওইনা ৱা ঙাঙখি।

ৱর্কশোপকী শরুক অমা ওইনা হৌজিক্তিঙ দিজিতেলগী মতম ওইরকপনা রিতায়র্দ সী সী এফ মহেন্দ্র প্রতাপ্না চান্দেল দিভিজনগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈবা বীত ওফিসরশিংদা তেল্লেৎ (মোবাইল)শিংসু য়েন্থোক্তুনা খুৎশিন্নখি।

ৱর্কশোপ অদুদা চান্দেলগী তোঙান তোঙানবা ভিলেজশিংগী লুচিংবাশিং, তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংগী ষ্টাফশিং অমদি সী এস ওশিংসু শরুক য়াখি।

মীওই ৬৫২ ফ্লাইটতা পুশিল্লকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২২ (ঐচ এন এস): লমদম অসিদা কোভিদ-১৯গী লায়না লায়চৎ অসি নোংম নোংমগী হেনগৎলকপগা লোয়ননা মপান লমদা পন্দুনা লৈরম্বা অমদি চংলকপগী মশিংসু হেনগৎলক্লি।

ঙসি অয়ুক পুং ১০.৩০ রোম তাবা মতমদা (ইন্দিগো ৬ ই-৪৫৭) ফ্লাইট অসিনা গুৱাহাতিদা পন্দুনা লৈরম্বা ১০৭ রোম ইম্ফালগী বির টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা পুশিল্লকখ্রে। অনীশুবা ফ্লাইট (এয়র এসিয়া আই৫-৭৮৩) অসিনা অয়ুক্কী পুং ১০.৪০ রোম তাবদা দিল্লি অমদি গুৱাহাতিদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ৭৭ রোম ইম্ফালগী এয়রপোর্ট পুশিল্লকখ্রে। অহুমশুবা ফ্লাইট (এয়র ইন্দিয়া এ আই ৭১৩) অসিনা কোলকাটাদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ৮৭ রোম ঙসি অয়ুক পুং ১০.৫৯ রোম তাবদা ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা পুরকখ্রে।

মরিশুবা ফ্লাইট ইন্দিগো ৬ ই ৮৮৯ অসিনা ঙসি নুমিৎ য়ুংবা মতুং পুং ১২.৩৯ রোম তাবদা অগরতালাদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ২০ রোম ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা পুশিল্লকখ্রে। মঙাশুবা ফ্লাইট (ইন্দিগো ৬ ই-২০১৯) অসিনা ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.৫০ রোম তাবদা দিল্লিদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ১২৬ রোম ইম্ফালদা পুশিল্লকখ্রে। তরুকশুবা (ইন্দিগো ৬ ই ৬৩২৬) ফ্লাইট অসিনা ঙসি নুমিৎ য়ুংবা মতুং পুং ১২.৫৫ রোম তাবদা কোলকাটাদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ১৭৪ রোম ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা পুশিল্লকখ্রে। তরেৎশুবা ফ্লাইট (এয়র এ আই ৮৮৯) অসিনা ঙসি নুংথিল পুং ২.০৭ রোম তাবদা দিল্লিদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ৭১ রোম ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা পুশিল্লকখ্রে।

ব্লদ দোনেসন কেম্প

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২২ (ঐচ এন এস) : এম এস সী, এ আই ৱাই এফনা মীয়ামগী লুচিং পুরেল জননেতা ইরাবতকী মপোক কুমওনগা মরী লৈননা ব্লদ দোনেসন কেম্প লাক্লিবা সেপ্তেম্বর ২৮দা জেনিমস ব্লদ কেম্পদা পাঙথোক্লগনি হায়না এ আই ৱাই এফকী ভাইস প্রসিদেন্ট কে ঐচ রমানন্দানা ফোঙদোরক্লি।

পাঙথোক্কদৌরিবা ব্লদ দোনেসন কেম্প অসিদা ঈ পীবিনিংবা অমদি পীবিগদবশিং অমদি এ আই ৱাই এফকী মেম্বরশিংনা মখাগী নম্বর ৭০০৫৮৫৮১৪৮/৮০১৪৪৫৯৬৩০দা পাউপীবীরকউ হায়নসু চেরোলদুনা মখা তারি।

হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাল্লি

ওইনাম কুঞ্জকেশ্বর, লাংজিং অচৌবা

লোকেল ট্রান্সমিসন্দগী কম্যুনিটি ট্রান্সমিসনগী থাক্তা য়ৌরক্তুনা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবগী কেস মশীং লেপ্পা লৈতনা হেনগৎলক্লি। কম্যুনিটি ট্রান্সমিসনগী ষ্টেজ য়ৌরকপা অসিদা মীয়াম মীপাইনরে। অদুবু মমাংদা চেকশিল্লম্বগী চাং অদুগা য়েংলুরগদি ঙসিদি চাওনা খেৎনবগী অচৌবা মমি তারে। লায়না অসিনা নাদবা মফম লৈশিল্লক্তরে। পোজিটিভ ওইবা মীওই অমা লৈকায়দা লৈরে হায়না পাউ পীরবা ফাওবদা মতম চানা লৌখৎপীবা ঙসিসু অদুমক লাকপীদ্রি। লোয়ননা কোভিদ ক্যের সেন্টরশিংদা লৈরিবা মীওইশিংদা চান-থক্লবা অমদি হীদাক-লাংথক মতিক চানা পীবিদে হায়বগী পাউসু তোয়না অদুমক তারি। লায়না অসিগা লান্থেংনবদা অচৌবা থৌদাং লৌবিরিবা মীওইশিংনা ষ্টেট অসিদা হাংলিবা ক্বারন্টিন সেন্টরশিংদা চৎপীদুনা করি অৱাৎ-অপা লৈরি অমদি হকচাংগী ফীভমনা করম-করম্বা মওংদা লৈরি হায়বনচিংবগী মতাংদা সেন্টরশিংদা চৎতুনা য়েংশিনহন্নিংই। নৎত্রবদি লায়না অসি নোংম-নোংমগী অসুম হেনগৎলকপা য়াবগী অকিবসু লৈতবা নত্তে। এক্সপার্ট কম্মিটি শেম্বগী মতম থেংমল্লে। অথুবা মতমদা কোভিদ ক্যের সেন্টরশিংদা অনা-লাইয়েং করম তৌরিবগে হায়বদু নিংথিনা য়েংশিনবিবগা লোয়ননা মীয়ামগা খুৎশম্নরগা লায়না অসি লাকশিন্নবা হোৎনমিন্নসি।

পুয়াম অচৌ খুমনচা, শিখোং বাজার

লমদম অসিদা কোভিদ-১৯ পেন্দেমিক লায়না অসি খরমখৈদি নাথৈরকপগুম তৌরক্লে। মরমদি রিকোভরি রেট ৱাংখৎলকপা, চাদবদি য়াদবনিনা শু-নোম্বা থোকলকপা অসিনচিংবনি। লম্বীদা গাড়ি মরাং কায়না চেল্লে, হোটেল-দুকান থোং হাংবা হৌনরে। মীয়াম শ্বর খরমখৈদি হোন্দোরকপগুম তৌরে। মহৈলোয়শঙ কয়াগী ফাওন্দর, প্রাইভেট স্কুলগী ওজাশিং অমদি মহৈরোয়শিংগী পেরেন্টশিংনসু স্কুল হাংদোক্লিংবগী অপাম্বা লৈরে হায়বসি তারুরগা-উরুরগা খঙলে। এস ও পি ঙাক্লা স্কুল হাংদোকপা য়াবগী অয়াবা ওক্টোবর থাদদি অয়াবা পীরক্কনি হায়বগী থাজবসু থম্নরি। মতাং অসিদা লুরিবা ৱাফমদি ফ্রেম ৱর্ক এগ্রিমেন্টকী ৱারোইশিনগী মতাং অসিনা অমুক হন্না মণিপুরদা চাওনা অকায়বা পীরক্কনি থাজে। নোর্থ ইষ্ট নাগা ৱিমেন ৱিংনসু মখোয়গী তোঙানবা ফ্লেগ কন্সটিট্যুসন শেম্বা পাল্লি। নুংঙাইতবা অমনা নেসনল হায়ৱে ৩৭দা শকখঙদবা খরনা শেল খায়নবগীদমক ড্রাইভরশিংদা ওৎপি-নৈবিবা অসি লাইবক থিবনি। হীরম অসিগী মতাংদা ষ্টেট লৈঙাক্লা অথুবা মতমদা এক্সন লৌখৎহন্নিংই। লোয়ননা বাই ইলেক্সনগীদমক ভোট খোম্বদা এস ও পি থুগায়রক্লবদি লৈঙাক্লা লায়না অসি লাকশিন্নবা হোৎনরিবা খোঙথাংশিং অরেম্বদা তারগনি।

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিস্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২৩।০৯।২০২০ ইং, য়ুমশাকৈশা; মেরাগী ৭ নি পানবা।

মেষ: লৌশিং চাওবতা নত্তনা লাই গুরুনা চানবী অমদি থাজদবা মরমদগী কান্নবা য়াম্না ফংজবা নুমিৎনি। পাউ নুংঙাইবসু তাগনি। মীয়াম্নসু থোইনা য়াগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংবৈ নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম: লৈ নাপু/য়াইঙং।

বৃষ: নিংবা থুংগনি, ললোন ইতিক্তা চাওনা কান্নগনি, মরি মতা নত্রগা নক্লবশিংগী মতেং লৌবা য়াগনি। নাপল অমদি ঙক কনবদি তৌগনু, কাইনবা য়াই।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশি মরি ফৈ।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা।

মিথুন: লেংদবা লন চাওখৎকনি, অনৌবা অশা লাক্কনি অমদি ৱাখল থাদরগা পাংবা থৌরম মাই পাক্কনি। য়েক্লববু ঙমগনি, শেল ফংগনি। হকচাংদি নুংঙাইতে।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱা য়াম্না ঙাংগনু।
থৌনি পোৎলম: লৈ অশংবা/কিসমিস।

কর্কট: পোরম য়াৎপা হৈগনি, অরং অরাক লৌবা য়াগনি অমদি ঙাংথোকপদা মীনা থাগৎপিবা লৈগনি। লৌশিং চাওবা মীগী ৱা লৌরদি হেন্না মাই পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মীংচৎ ফংই।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙৌবা।

সিংহ: য়েংনবদি কোকচরনি অমদি ইমুং মনুংগী ৱা লুম্না লৌবা ফগনি। অনম তানবা অমদি চরাং খোইরাংবনা মাংজবা লৈগনি। নোল্লুকউ কান্নবা য়াম্না ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- পাউ নুংঙাইবা তাই।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা।

কন্যা: অফবা মফম ফংগনি, লাইবক ফবা, মীচং হেনগৎপা অমদি ললোন ইতিক কান্নবা ওইরনি। চিন য়াংবা অমদি অকল অনম তানবদি মতাং চাদে, তপথৌ।
লৈশা পাখংশিংগী- মাই পাক্কনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা।

তুলা: খোইরাংবা, চিন শোইবা অমদি অঙম্বগা মরি ফবা ৱাৎপা লৈ। অনৌবা থৌরম পাইদবা ফৈ অমদি মীয়াম্না পাম্নবা থবক্তমক পাংবনা য়াইফবা ওইগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মীৱা লৌগনু।
থৌনি পোৎলম: লৈ অশংবা/কিসমিস।

বৃশ্চিক: মাই পাকচবা, মীচংসু হেনগৎপা অমদি লন/লৌশিং/নচা ননাই চাওখৎপা নুমিৎনি। অচুম্বনা মাংওইনবা অমদি মীৱা লৌদবনা মাংগদবা কয়াদগী কনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফৈ।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক।

ধনু: থবক পাংবা খুৎলোইগনি, পাইরক্কী লৌশিং চাওই অমদি অরুবা ৱারেপ লৌবা য়াগনি। শেল থুম অমদি মীয়ামগী মতেং ফংগনি। হোয়া ফবদি য়াদ্রি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চাল্লি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙৌবা।

মকর: শেল ফংগনি, ইমুং মনুং ৱাখল তানা পাংমিন্নবা থবকসু মাই পাক্কনি। অচৌবনা চানবী, অরং অরাক লৌবা য়াগনি, য়েক্লবা হন্থগনি। অশাওবদি ফাথৌ।
লৈশা পাখংশিংগী-নিংবা থুংই।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা।

কুম্বা: থবক শোইদনা পাংগনি অমদি লৌশিং য়াম্না ফংগনি। লেংদবা লনসু চাওখৎপা অমদি অচুম্বতনা মাই পাক্কদবা নুমিৎনি। য়েৎনরুনু, হন্থবা লোইনগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱা ঙাংদবা ফৈ।
থৌনি পোৎলম: লৈ অশংবা/কিসমিস।

মিন: নক্লবা অমদি মীয়ামগী ৱা তাবা কান্নগনি। নাইতোম অরুবা থবক পাইগনু অমদি হন্থবা লোইনদবা ফগনি। হকচাংগীসু চেকশিনগদবা নুমিৎনি। ঈংথবা ফৈ।
লৈশা পাখংশিংগী-নুংশি মরি ফরে।
থৌনি পোৎলম: লৈ নাপু/য়াইঙং।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

দা. লেনিন, দা. উথান্দা রামসিংহ অমসুং ইবোতোন নীংশিং মনা পীগদৌরি

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২২ (ঐচ এন এস): ইরাবত সেলেব্রেসন কম্মিটি মণিপুরনা মহৌশাদগী পীদুনা লাকপা নোংথোম্বম ইবোতোন টিচর এৱার্দ অমসুং মোমেন্টো কুমসি চহীগী ওইনা লৈবাক মীয়াম্না থোইদোক-হেন্দোক্লা শকখঙনরবা শক্লাইরবা দা. আর কে লেনিনদা পীরগনি হায়না ইরাবত সেলেব্রেসন কম্মিটি মণিপুরগী সেক্রেটরি এম জয়কুমার লুৱাংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা হায়, মীয়ামগী পুক্লিং ৱাখলগী অৱাবা চৈথেং ঙাকথোক্লবা দাক্তরনা খুন্নাই অসিদা পীরিবা অচৌবা খুদোল অসিবু শকখঙবা উৎপা অমদি হন্দক্কী কোভিদ-১৯ লায়চৎকী মায়োক্তা মীয়াম্বু নে তানা হিংনবা অচৌবা ৱাখল্লোল অমা মীপুম খুদিংগী নাকোংদা তাহন্দুনা অমদি চেকশিন থৌরাংগী পরম-পথাপ পূম্নমক পীদুনা খুন্নাই অসিগী শক্লইরবা ওজা অমগী মথৌদাংবু শকখঙজদুনা আই: সী: সী: না লৈখিদ্রবা নোংথোম্বম ইবোতোন টিচর এৱার্দ অমসুং মমেন্তো অসি খুৎশিন্নরগনি।

লোয়ননা দা. থাওরোইজম উথান্দা লাইশ্রম রামসিহং নীংশিং মনা/মমেন্তোসু খুৎশিন্নরগনি। দা. উথান মীয়াম্না হন্দক্কী কোরোনা ভাইরস লান্থেংনরকপদা মণিপুরগী দাক্তরশিংগী মরক্তা অচৌবা মফম অমা কনবা ঙল্লিবা থোইদোক হেন্দোকপা মীশক অমনি। আই : সী : সী: না হন্দক দোক্তরনা উৎখিবা কৎথোকপগী থৌদৌ অসিগীদমক য়াম্না চাওথোকচবা অমদি অপেনবা পোকই। তশেংনমক মহাক কৎথোকপগী লমজিং মৈরা অমনি। মসিগীদমক দাক্তর উথানবু খনগৎচদুনা মনা অমসুং মোমেন্তো অসি খুৎশিন্নগনি।

অহুমশুবদা লৈতান্থেম তোমচৌদা হীজম অচৌ সিংহ এৱার্দসু খুৎশিন্নরগনি হায়রি। তোমচৌনা অহলগী মতম ওইরবা ফাওবদা য়ূম কৈ শাদুনা অমদি ফর্নিচরগী শিনফমদা হনবা লৈতনা শুরি-নোল্লিবা মীয়ামগী থবক্তসু মাংজিল থাবগীদমক হীজম অচৌ নীংশিং শিন্মি এৱার্দ পীরগনি। মনাশিং অসি মথং শিৎনা ইরাবত দেগী থৌরমগা মরী লৈননা সেপ্তেম্বর ৩০, ২০২০গী নুংথিল পুং ১ তাবদা ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেন্দা খুৎশিন্নরগনি হায়রি।

কন্টেনমেন্ট জোন লাউথোকখ্রবা কৈবি খুল্লেনগী খুঞ্জাশিংদা তেংবাঙখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২২ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল ইষ্টকী মনুংচন্না লৈবা কৈবি খুল্লেনদা মীওই ৮ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপদগী খুল পুম্বা কন্টেনমেন্ট জোন লাউথোকখিবনা য়ূমদগী হেন্দোকপা য়াদনা লৈরিবা খুঞ্জাশিংগীদমক খুন্দ্রাকপম এ সীগী এম এল এ লোকেশ্বর, দোলাইথাবি জিলা পরিষদ মেম্বর এন সনাতোম্বা, উয়ূমপোক গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান টি ঐচ ইনাওচানা পীবিরকপা তেংবাঙ পোৎলম খুন্দ্রাকপম কেন্দ্র দিভলপমেন্ট কম্মিটিনা কৈবি খুলেন কোভিদ-১৯ রিলিফ কম্মিটিদা খুৎশিন্নখ্রে।

কৈবি খুল্লেন দিভলপমেন্ট কম্মিটিগী ওফিসতা পাঙথোকপা তেংবাঙ পোৎলম খুৎশিন্নবগী থৌরমদা দোলাইথাবি জি পি মেম্বর অমদি উয়ূমপোক গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধানসু শরুক য়াখি। কন্টেনমেন্ট জোনদা লৈরিবা ইমুং ২২০গী তেংবাঙ পোৎলম ওইনা চেং বেগ ২০, ঙারি কে জি ৫২, অলু বেগ ৫, হৱায় কাংতক বেগ ৪, থুম বেগ ৫, অচাথাও বোটল ২২০ নচিংবা খুৎশিনখি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা কৈবি খুল্লেন কোভিদ-১৯ রিলিফ কম্মিটিগী মেম্বর লাইশ্রম রোপেননা ফোঙদোকখিবদা কন্টেনমেন্ট জোন মনুংদা লৈরিবা কৈবি খুল্লেনগী খুঞ্জাশিংনা থেংনরিবা অৱাবদা খরদং ওইরবসু কোক্লনবা খুন্দ্রাকপম এ সীগী এম এল এ লোকেশ্বর, দোলাইথাবি জিপিগী মেম্বর এন সনাতোম্বা অমদি উয়ুমপোক জি পিগী প্রধান টি ঐচ ইনাওচানা তেংবাঙ পোৎলম পীরকপদা খুঞ্জাশিংগী অমদি কম্মিটিগী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোকই। হান্নসু কোভিদ-১৯ থেংননবা চৎথখিবা লোকাদউন মনুংদসু মখোয়না তেংবাঙ পোৎলম তাংঙ্কক কয়াদসু মতেং পীবিরকখ্রে।

লোয়ননা মহাক্লা হায়, চহী খরগী মমাঙদসু খুন অসিদা থোকখিবা অৱাবা থৌদোক কয়াদসু লেপ্পা লৈতনা মতেং পাংবীখি। মতুং তারকপদসু খুন অসিদা খক্তা নত্তনা এ সী অসিদা লৈরিবা মীওইশিংনা থেংনরকপা অৱা-অনা অমদি খুদোংচাদবা থৌদোক কয়া থোরকপা মতমদা মতেং পাংবীরকখিগনি হায়বগী থাজবসু লৈ হায়খি।